# অচুম্বসিবু লৈরিবরা – ১১১

**ডা. এল শশীকুমার, য়ূরেম্বম**

**মণিপুরদা** অহোংবা লৈঙাক অমদি লাকখ্রে। মতম মতমগী য়াওলগী মতুং ইন্না মওং অমদা নৎত্রবসু মওং অমদা খরা মখৈদি অহোংবা লাকফম থোকই। অফবা লৈঙাক, অরুবা লৈঙাক্কী মমি অমদি শোয়দনা উহনবীফম থোকই। মতম শাংনা ইন্দিয়া নীংখা তম্লকপদগী কোংগ্রেসকী শুপ্পম লৈঙাক অমগী মখাদা চহী ৭০ রোম ইন্দিয়াগী মীচম মীয়াম পূন্নমক জেলগী চেকপল অমগী মনুংদা থম্বীবগুম লৈরুরে। মতম শাংনা লৈঙাল্লকপগী মীয়াম্বু থৌশাবীদবা, শক্তিগী মরুমদা মখল মখাগী মীয়ামগী মায়োক্তা চত্থরকপনা ঙসি অমুক হন্না হৌগৎ কাংখৎপা ঙম্লরোইদ্রবা শক্তম অমদা লৈররে। মসিগী মথক্তা করিগুম্বা ষ্টেট খরদসু পোলিটিকেল পার্টি খরনা লৈঙাল্লম্লবসু পোলিটিক্সকী শক্তি কা হেন্না শীজিন্নরকপদগী পূন্নমক নুংশা মঙালদা লেন্না তুম্বগুম তুম্না মাঙশিল্লক্লে।

ঙসিদি মীয়াম মমাঙগী শেঞ্জাউ পায়বা লৈঙাক্কী মখূৎতগী নাম্থোক্লে। ইন্দিয়াদা পোলিটিক্সকী মায়ওল অমদি লাক্লে। ইন্দিয়াগী লায়রবা মীয়াম খঙনা-খঙনা অমদি উনা-উনা য়াম্না ৱানা খাঙলুরে। মতম কুইনা শুমদুনা লাক্লবা ইন্দিয়াগী মীয়াম লুপাগী মহুত্তা সনানা শিনবীরে। পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক পলেপফম খঙদবা তাঞ্জা ওইররে। মতম মতমগী ঙম্না ঙম্নবা চৎমিন্নরম্বা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক সনাগী মচুম্না ওন্দবা ঙমদবা তাঞ্জা ওইরে। শেঞ্জাউ পায়বগী লাংদগী নাম্থোকপদি ঙম্নদ্রি। মসিমক ঙসিগী ওল্লক্লিবা চক অসিদা তরাই তরাইবা নত্তে। মতম শাংবা শাংদবা লুপাদগী সনানা হেন্না পাম্লে। মদুগী তাঙ্কক য়ৌরে। মতম অমগী শেঞ্জাউ পায়বা, শেঞ্জা থুমজাগী কল্লবা ঈহৌ-ঈরাং মরক্তা ইন্দিয়া মীয়ামগী মরল-মথুম হাৎলম্বা কয়াদি বি জে পিগী লৈঙাক লাকপদা চৈরাক অমদি ইকায়বা পীবা খরদি মীয়াম মমাঙদা চিংথোক্তুনা মীৎ থকহল্লি। লুপাগী মগুণদগী সনাগী মগুণনা থাক ৱাংবা হেল্লি। ঙসি ফাওবা ভোটকী মতমদা মীচম মীয়াম্বু শুম্বা ঙম্বা লাইৱাদি শেলখত্তনি। মীয়ামসু খঙদবদি নত্তে, অদুবু মমাঙথক্কী পুৱারী য়েংলগা থাজবা হায়বসি ঙমদবদগী খঙনা খঙনা ঙসি ফাওবা লুপাগী লাংদগী নাম্থোকপা ঙম্নদ্রি। মমাঙথক্কী ভোটকী মতমদা লুপা ৫০০না মীয়াম লৈরম্বদু হন্দক্কী বি জে পিগী অনৌবা লৈঙাক্লা লুপা ২০০০ না মহুৎ শিল্লকপদা ইন্দিয়াগী লায়রবা মীয়াম ঙম্নমক ঙাওদবা ঙম্নখিদ্রে। ঙাওফমসু থোকই। ইন্দিয়াগী মীচম মীয়ামদি লায়রদনা পোলিটিকেল পার্টি, পোলিটিসিয়ন ফাওবা অহিং অমদা কুচু হোংহনবা ঙল্লিবসিনদি লায়রবা মীয়ামদদি করম তৌগনি।

মসি পূন্নমক্কী মথক্তা বি জে পিগী শ্রী মোদিজিগী ৱাঙাঙ মাগী মতম কুইনদগী শেম শাজরক্লবা ৱাফম খরদি মীয়ামগী থম্মোয়বু লায়না জয় তৌবা ঙমহনবসি তোপ তোপ্পা হেন্দোকপা গুণ অমনি। শ্রী মোদিজিনা থম্মোয় শেংনা হোৎনবীবগুম মাগী খোঙলোয়, তুং ইনবশিংনা খরদং থম্মোয় শেংনা তেংবাংবীরবদি বি জে পিসু চহী ১৫/২০দি লৈঙাক পায়বগী আশা তৌবা য়াই। অদুবু ঙসিগী ২১শুবা চহী চাসিদা লুপা, পৈশা, সনা পামদবা মীগী মশীং কয়াম লৈরিবগে? পোলিটিসিয়ন-পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক অফবা অচুম্বা অশেংবদি ঙম্নমক খঙনবা ঙাক্তনি। অদুবু ২১শুবা চহী চাসিদা কথোকপা ঙম্বা, মীংচৎ পাম্বা ইন্দিয়া মচা কয়াবু লৈরিবগে? শ্রী মোদিজিগী পোলিটিক্সকী পান্দম, পোলিটিক্সকী খোঙচৎ লুপা-সনাগী মগুণ মথংগী এম পি ইলেক্সন ফাওবদি ময়েক শেংনা খাঙখিবা তাবনি। পোলিটিসিয়ন, পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কী থম্মোয়দা লুপা, সনা অমদি মীংচৎ অহুমগী কল্লবা ঈচেলনি। লুপা, সনাদি তুম্বা নাই, মীংচৎতি মতমগী মতুং ইন্না নোংমা নোংমগী মশেক মঙাল নাইরকই হায়বসি খঙবা মীগী মশীং ইন্দিয়াগী মনুংদা কয়াম লৈরিবগে?

তশেংনমক ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সতা থম্মোয় শেংবা পোলিটিসিয়ন, মীংচৎ পাম্বা পোলিটিসিয়নগা, লুপা-সনা ওইজবা পাম্বা পোলিটিসিয়ন, পোলিটিকেল পার্টি মসি পূন্নমক্কী মনুংদা মীংচৎ পাম্বা পোলিটিসিয়নগা, ওইজমান পাম্বা পোলিটিসিয়নগা মশীং অসি ১০০গী মনুংদা ৫ ফাওবা য়াওদবদগী মতম মতমগী খঙহৌদনা ওল্লকপা ঈপান থাবগী নোংহৌ হেক হেক থোরকপসিনা মীচম মীয়ামনা পোলিটিসিয়ন ফাওবা থাজনরকপা লৈত্রে। মরম অদুনা ভোটকী মতমদা কেন্দিদেট য়াম্না চোঙথোকপসিনা চেনবা য়াদনা চুম্লবা খুদম অমনি। মতম শাংনা পোলিটিক্সতা কৎথোক্তুনা লাক্লবা মীরেপ ওইজনীংবা কয়া শেঞ্জাউ পায়বা হুরানবা করবারৱালা অমদা পার্টিগী টিকেট পীথোকপা মীয়াম্না ফোঙনা উনরবনি। মমৈথংদা অফবা ফল হায়ববু মীচম মীয়াম্নসু মতম মতমগী ওইজনাম, নপচনামলোমদা খোঙ থাংজিল্লকপা ইরুজনীংবদা থোঙ্গা তেকপা তাহনবসি অচৌবা পাড়া অমা ফানরক্লে। মসিমক অচুম্বা অফবা খুদম অমা নত্তে।

ঙসিদি মণিপুরদা বি জে পিনা লুচিংবা শ্রী নোংথোম্বম বিরেনগী লৈঙাক অমা শেমখ্রে। মসিমকসু দেমোক্রেসিগী তোপ তোপ্পা পুৱারীগী অহোংবা শক্তম অমনি। ২৮ কাবা কোংগ্রেপু, ২২ কাবা বি জে পিনা লৈঙাক শেমখিবদি ওম্থোক্লা ৱাহম্থোক ৱাংনা লৌনদবা য়ারোই। লৈঙাক শেম্বদা কোংগ্রেসতগী চোঙথোরকপা এম এল এ অমনা মন্ত্রি ওইবা হায়বসিসু পোলিটিক্স খঙজদবা মীচম মীয়ামদা অঙকপা ফাওদবদি নত্তে। মখোয়গী চোঙথোক চোঙশিনগী আইন অদুবু মাঙখ্রবরা? ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্দগী লৌথোকখ্রবরা? খ্বাইদগী ঙকপা, খ্বাইদগী থাজদ্রবা পুৱারী অমা পীকখ্রবা মণিপুর ষ্টেটতা শেম্লকপা পুৱারীগী অনৌ তাঙ্কক অমনি। ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কী পার্টি মখল শুনসু লৈ। দেমোক্রেসিগী নুং-পান আইন খুদিংমক মথোং মরম খঙজদ্রবা মীচম মীয়াম খুদিংমক ঙক্তবা ঙমদে। ঐখোয়গী লৈঙাক্কী আইন অসিবু করম তৌখ্রবগে? ইন্দিয়ানা নীংখা তম্লকপদগী কোংগ্রেসকী লৈঙাক্কী মখাদা লৈরকখিবনি। কোংগ্রেসনা মনীং তম্না তৌনীং-তৌনীংবা তৌরকপগী ফল ঙসিসু মপোপ কায়দনা চত্থরকপা করিসু ঙক্লিংঙাই লৈতে।

মণিপুরদা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা শেঞ্জা থুমজা, শঙ্গ-পঙ্গ, অচান-মীরাইগী ৱাফম ঙসিসু মপোপ কায়দনা, মমিংতা হোংলগা চত্থরকপদা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তা চেক-মোক লাউদনা তুমিন-তুমিন লৈশিনবসিনদি দেমোক্রেসি অসি তৌনীং-তৌনীং য়াবনি হায়বসি হেন্না হেন্না ময়েক শেংলকই। মমাঙগী ইলেক্সনগী মতমদা লাউনরম্বা, ঙাওনরম্বা খুদিংমক ঙসিদি ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবগুম তুমিন-তুমিন লৈনখিবসিদি অচুম্বা ৱায়েল, অশেংবা মশক করম্বা মতমদা মীচম মীয়ামদা উহনবীগনি। মীয়ামগী লুচিংবশিং, মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা খরনা অতোংবদা লৈথোনবা, অকুৎপদা লৈতৌবা হায়বদু য়েংদুনা অসুমক লৈরগদ্রা?

লমদমসিগী থৌনা ফবা লুচিংবা অমত্তা লৈত্রবরা? লমদমসিদা অচুম্বগীদমক অমদি লায়রবগীদমক কথোকপা ঙম্বা থৌনা লৈবা মীশক চোঙথোরক্তুনা মাঙখিগদৌরবা মণিপুর, মুৎখিগদৌরবা ইরমদম অমুক্তদি কনমিন্নহৌসি। লমদমসিগী লাইরিক লাইশু খঙ-হৈরবা কয়ানা লাউরম্বা আই এল পি, চীংমী-তম্মী অনীমক্কী তুং কোয়বা খুদোংচাবা কয়াবু মীতোপ মীরানচাগী খুজিল থৌরাংনা পূন্নমক অরেম্বা তাহল্লগদ্রা? লমদমসিগী পোলিটিসিয়ন খুদিংমক থম্মোয় শেংনা তুংগী মীরোলগীদমক নশা নশাদা আইন পায়রিঙে, অপূনবা খুন্নাইগী অপূনবা আইন শেম্বীবনা অমদি মাঙথরক্লিবা-মুখরক্লিবা ইরমদম কনবা য়াবা আইন পুথোকপা মতম ওইদ্রিবরা?

মপূং ওইনা অচুম্বা, অশেংবগী মফম অমা শেমগৎপা মতম ওইরে। মতম মতমগী লৈঙাক পায়রম্বশিংনা মীয়াম্বু নমথদুনা মশা মশাগী খুদোংচাবা কয়াগীদমক অচুম অরান থিদনা থৌনা ফরবা নহারোল কয়া হাৎখিবা, শেঞ্জা থুমজা তৌরগা মীয়ামগী মরল হাইহৎলম্বশিং খঙনা খঙনা, উনা উনা নমশিন্দুনা থম্বশিং মতিক চাবা মরালগী মতুং ইন্না চৈরাক অসুমক কোকথোকপীরগদ্রা? ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদদি মরালগী মতুং ইন্না জেলদা থমদুনা দন্দি পীনৈ। চহী ৭০ রোম কোংগ্রেসকী লৈঙাক মনুংদা চত্থরম্বা শুপ্পমগী আইন, শেঞ্জা থুমজাগী ৱায়েল হামু-হামু ওইনা তোকহল্লগদ্রা? মণিপুর মীয়াম্না শাখি ওইরবা থৌদোক ৱাথোক পূন্নমক করম্বা মমায় কয়া লোংবা আইন্না নাথৈদুনা পুবিগদৌরিবা? অচুম্বা হায়বসি দেমোক্রেসিদা লৈতবগুম মীয়াম্না খন্নরক্লিবসি অচুম্বগী মফম কনবা মতম ওইদ্রিবরা। মতমসিগী লৈঙাক পুরিবশিংনা চনিং তানা খম্বীবা মতম লাক্লরোইদ্রা? অচৌবা হুরানবা, অচৌবা মীহাৎপা, অচৌবা করবারৱালানা কনখৎতুনা থম্বগী চৎনবী থাদোক্লসি। মপী হাৎতনা মচা হাৎপনা আইনবু ফাগী তারক্কনি। অচুম্বসিবু লৈরিব্রা? অচুম্বগী জয়, মীয়াম হুপ্না লৌমিন্নরসি, মীয়াম পূল্লসি মীয়াম হৌরসি য়াদ্রে হায়বা খঙহনদ্রবদি হুরানবনা জয় তৌশিল্লক্লে। শেঞ্জাউ পায়বনা জয় তৌশিল্লক্লে।

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক –৮

**– উশম ধনঞ্জয় সিংহ –**

**ইন্দিয়াগী** প্রাইম মিনিষ্টর শ্রীমতি ইন্দিরা গান্ধীনা ইম্ফালদা সেপ্টেম্বর ২৩, ১৯৬৯দা অতেনবা খোঙচৎ অমদা লাকখি। প্রাইম মিনিষ্টরনা পোলো গ্রাউন্দদা মিটিং অমদা ৱা ঙাঙনবা ষ্টেট কোংগ্রেসনা শিল্লম্মী। প্রাইম মিনিষ্টর থুংলবা কান্দা মী পীকথন্না তিল্লম্মী; ঈরাং থোইদোকপা লৈরমদে। মহাক্লা পোলো গ্রাউন্দদা লাকপগী লম্বীদা মহৈরোয়শিংনা স্লোগান লাউশিল্লকখি। পুলিসনা মহৈরোয়শিং অদুবু চৈনা কল্লম্মী। প্রাইম মিনিষ্টরগী লম্বীদা অপনবা পীদনবনি। মীয়াম মরক্তগী পোলো গ্রাউন্দগী খা নোংপোক অমসুং অৱাং নোংপোক মায়কৈদগী নূংনা থাবা হৌরক্লম্মী। খোঙজং অদু মণিপুরবু মপূং ফানা ষ্টেট ওইহল্লু হায়বা খোঙজং শৌগৎপগীনি।

পুলিস অমসুং লেফটিষ্ট দেমোন্সত্রেসনগী মরক্তা খৎন-চৈনবা কয়াগী মরক্তা মীওই অহুমগী পুন্সি মাঙখি। লৈখিদবশিংগী মনুংদা সেন্ত্রেল রিজার্ভ পুলিসমেন অমা য়াওই। লৈঙাক্কী গাড়ীশিং, ত্রকশিং অমসুং প্রাইভেট কারশিং ঈরাং তৌবশিংনা মৈ থাদোকখি। নুপী অনী য়াওনা মীওই ৩৪ শোকখি। মখোয়গী মনুংদা ৩০দি পুলিসনা লাঠি চার্জ তৌবদা থিনা শোকখি। মরি অমনা নোংমৈ মরূনা পানবনি। মখোয়শিং অদু জেনরেল হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েংখি। মণিপুর লৈঙাক্লা অহিংদুদা পুং ২৪গী কার্ফিয়ু লাউথোকখি।

সিভিল ওথোরিটিসপু মতেং পাংনবা আর্মি কৌথোকখি। মথং নুমিৎতা আর্মি কৌথোল্লবসু নোংমৈ কাপ্পা লৈরবসু হরটাল তৌরম্মী; ইম্ফালগী ফীভম শাথিরম্মী।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীনা লাকপদা শাথিনা ঈরাং থোক্লিবা অসিনা তাকপদি মীয়াম্না মণিপুরবু ষ্টেট ওইহন্দবা অসি য়াম্না পেন্নদ্রে হায়বদু তাক্লে।

সেপ্টেম্বর ২৪, ১৯৬৯দা থাজদবগী মোসন খন্নবদা দেসিদেন্ট কোংগ্রেসশিংসু ওপোজিসনগা খূৎশম্নদুনা নো কনফিদেন্স অদুবু শৌগৎখি। অদুবু শ্রী কোইরেংবু অতোপ্পা থৌরাং অমা তৌদ্রিফাওবা ক্যেরটেকর গভর্ণমেন্ট অমা ওইনা লৈহনখি।

ইন্দিরা গান্ধীনা সেপ্টেম্বর ২৫, ১৯৬৯দা লক্ষনৌদা হায়খি মদুদি কোংগ্রেস মিনিষ্ট্রি মণিপুরদা তুরিবসি কোংগ্রেস মনুংগী মুক্নবদগীনি।

রাজকুমার বিরচন্দ্র মণিপুর কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা লৈঙাক শেম্বা ঙমদ্রবদা দেসিদেন্ট কোংগ্রেস লেজিসলেচর ১১না ওপোজিসন মেম্বরগী মতেংনা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট লেজিসলেচর পার্টি শেম্নবা ৱারেপ্ন খি। মেম্বর ৩২ লৈবা য়ুনাইটেদ ফ্রন্টনা মেম্বর ২০না শৌগৎলি হায়না ক্লেম তৌরম্মী। কোংগ্রেস দেসিদেন্ট ১১, এস এস পি ৪, সী পি আই ১, মণিপুর পিপলস পার্টি ৪, কোংগ্রেস ১১, সিট অমদি হাংলম্মী। শ্রী মহম্মদ আলিমউদিন, দেসিদেন্ট কোংগ্রেস লীদর অসিবু য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট পার্টি অসিগী লুচিংবা ওইনা খল্লম্মী। মহাক্লা শোয়দনা লৈঙাক শেমগনি হায়রম্মী।

ক্যেরটেকর গভর্ণমেন্ট অদু কুইনা শাংথনা লৈহনবদু মহাক্লা পামখিদে। অদুবু প্রসিদেন্ট ভি ভি গিরিনা ওক্টোবর ১৬, ১৯৬৯দা মণিপুর টেরিটোরিয়েল এসেম্বল্লি মুখৎলে অমসুং প্রসিদেন্ট রুল অসি য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিদা থল্লে লাউথোকখি। পার্টি অমত্তনা মরা চেৎপা লৈঙাক শেম্বা ঙল্লোই হায়বগীনি।

য়ুনাইটেদ লেজিসলেচর ফ্রন্টনা ওক্টোবর ২৭তা ইম্ফালদা হরটাল তৌখি, প্রসিদেন্ট রুল অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা কৌখিবনি। লম্বীদা গাড়ী চেন্নখিদে, খূৎলায় পায়বা সিফাইনা গাড়ী থন্না তোংদুনা অমসুং ৱায়রলেস মোবাইল ভেন তোংদুনা ইম্ফালবু ঙাক শেল্লম্মী। শ্রী সলাম তোম্বী, মণিপুর পিপলস পার্টিগী লীদর অসিনা মণিপুরদা প্রসিদেন্ট রুল থল্লকপা অসি খঙহৌদনা ব্রজ তারকপগা চপ মান্নরে হায়খি।

মণিপুরবু মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইহল্লু হায়বগী দাবী অসি কুমজা ১৯৫৪দগী সোসিয়েলিষ্টনা হৌখ্রবনি। শ্রী রিশাং কৈশিং এম পি ফাওবা প্রিভেন্টিভ দিটেন্সন এক্টকী মখাদা ফাজিল্লুবা লৈখ্রবনি।

মার্চ ৩০, ১৯৭০দা রাজ সভাদা মেম্বর অয়াম্বনা মণিপুর অসি ষ্টেট ওইহল্লু হায়খি। পার্টিগী খেন্নবা লৈতনা কুমজা ১৯৬৯-৭০ অমসুং কুমজা ১৯৭০-৭১গী মণিপুর বজেট খন্নবদা ফোঙদোক্লখিবনি। শ্রী শিলভদ্রা য়াজি কোংগ্রেসনা ইহান হান্না ঙাঙখি। মাবু শ্রী জি বারবোরা (এস এস পি), শ্রী চিৎতা বাসু (এফ বি), শ্রী এ পি চটারজি (সী পি এম), শ্রী বঙ্কাবিহারী দাস (এস এস পি) অমসুং শ্রী ভুপেন্দর গুপ্তা (সী পি আই) না শৌগৎখি। শ্রী বোরবোরানা হায়খি, মণিপুরনা তাল্লিবা ষ্টেটহুদ অসি পীদ্রবদি ভাইওলেন্ট রেভল্যুসন অমা মণিপুরদা তৌরক্লগনি। শ্রী এ পি চটারজিনা হায়খি, লৈঙাক্লা মণিপুরবু মপূং ফাবা ষ্টেট ওইহন্দ্রিবা অসি viable state ওইরোই হায়বগীনি। মহাক্লা হায়খি, হরিয়ানা অমসুং নাগালেন্দনা viable states ওইবা ঙম্লগা মণিপুরনা করিগী ঙল্লোইদৌরিবনো। শ্রী গুপ্তনা হায়খি, viability গী থিওরি অসি Absurd theory নি। দি মণিপুর বার এসোসিএসন্নসু ১/৪/১৯৭০দা মণিপুরগী Lt. Governor Shri D.R. Kotili দা মণিপুর অসি য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তগী মপূং ফাবা ষ্টেট ওইহন্নবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা চুম্না তাল্লিবসি পীথোক্লবা হায়জখি।

পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ২০মুক হেনবনসু প্রাইম মিনিষ্টরদা জোল্ট লেট্টর অমদা মণিপুর মীয়াম্না ষ্টেটহুদ তাল্লিবসি পীবিনবা হায়জখি। পোলিটিকেল পার্টি মঙা হায়বদি এস এস পি, এম পি পি, পি এস পি, সী পি আই, সী পি আই (এম) না এপ্রিলগী অনীশুবা চয়োলদা দিল্লিদা দেলিগেসন অমা থাখি। পার্লিয়ামেন্টতা লৈরিবা ওপোজিসন লীদরশিং উনদুনা মখোয়গী মতেং নীখি। মখোয়না প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর অমসুং ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট উনখি। মাধু লিমায়ে সোসিয়েলিষ্ট, রুবী রাই রোই/প্রজা (সোসিয়েলিষ্ট পার্টি), বালরাজ মাধোপ (জন সংঘ), রাম সুভাস সিংহ (কোংগ্রেস ও), শ্রী শিলভদ্র য়াজি (কোংগ্রেস আর), হেম বরাএ প্রজা সোসিয়েলিষ্ট পার্টি, ভুপেন গুপ্তা (সী পি আই), ইন্দ্রজিৎ গুপ্তা (সী পি আই), শ্রী নাথ রাস (পি এস পি), কে এ নামবিএর (সী পি আই (এম) হায়রিবা লুচিংবশিংনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা মণিপুর মীয়ামগী দেমোক্রেটিক অমসুং য়ুনানেমস দিমান্দ অসি ঈরাং তৌদ্রিঙৈদা পীথোকখিনবা তকশিনখি।

মণিপুরগী ত্রাইবেল লীদর কয়ানসু মে ৭, ১৯৭০দা মণিপুরবু মপূং ফাবা ষ্টেট ওইহন্নবা প্রাইম মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখি। মখোয়গী মনুংদা এ ডাইহো, হাইখোলাল থাংজোম (প্রসিদেন্ট গাংতে ত্রাইবেল য়ুনিয়ন, Stephen Angkang Ex-President, Tangkhul long, Sompa President, Kamrem Union, Paolen (President, Kuki National Assembly), K Kalanlung (President Zeiliangrong Regional Council, H. Darkhuma (President Mizo Union), S.K. Hrangchal (Ex-President Hmar National Union) নচিংবা য়াওরি।

কোংগ্রেস ম্যুনিসিপাল কম্মিস্নর ২০না চ্যেরমেন য়ুম্নাম নিলমনি য়াওনা ওগষ্ট ১, ১৯৬৯দা হিমাচল প্রদেশপু ষ্টেট ওইহনগনি লাউথোকখিবা অমসুং মণিপুরগীদি করিসু খন্নবিদববু য়ানীংদবা উৎতুনা রিজাইন তৌখি।

হিমাচল প্রদেশপু ষ্টেট ওইহল্লগনি হেক লাউথোকখিবগা এল পারটিজ ষ্টেটহুদ দিমান্দ কো ওর্দিনেটিং বোর্দিনা মণিপুর বন্দ তৌদুনা মখোয়গী পেন্দবা ফোঙদোকখি। ওগষ্ট ৩গী অয়ূক পুং ৬তগী পুং ১২ মণিপুর বন্দ কৌখি। রাজ্য সভাগী ইন্দিপেন্দেন্ট মেম্বর শ্রী বিপিন দাসনা ওগষ্ট ৭তা হায়খি, মণিপুরবু ষ্টেট ওইহন্দ্রবদি নীংখা তম্বা মণিপুর অমগী দিমান্দ অসি কনখৎলগনি। রাজ্য সভাগী মেম্বরশিংনা ফীভম অসি হেন্না লুশিনদ্রিঙৈদা মীয়াম্না তাল্লিবা দাবী অসি পীথোকখিনবা নৎত্রগদি মদুগী থৌদাং লৈঙাক্লা পুগদবনি হায়খি। শ্রী পান্টনদি লৈঙাক্লা কন্না খন্নরি, মতম খরা চঙগনি হায়খি। এম মেঘচন্দ্র মণিপুরগী এম পিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বসি খঙবিদ্রে হায়খি। মহাক্লা হায়খি, ইন্দিয়াদা পূন্নবদা লৈজরম্বা এসেম্বল্লি মুথৎখিবনি, এসেম্বল্লি অসি কয়ারক হায়জরক্লবা মতুংদা অমুক থম্বীবনি। লৈঙাক্তগী অচেৎপা থাজবা অমা পীবিনবা হায়জখি।

মণিপুরদগী মীহুৎ কাঙবু অমনা প্রাইম মিনিষ্টরবু ওগষ্ট ১৩দা উনদুনা মণিপুরবু ষ্টেট ওইহনবীনবা তকশিনখি। মীহুৎ কাঙবু অসি মোইরাং কোইরেং, আর কে বিরচন্দ্র, প্রসিদেন্ট পি সী সী (আর), পাওকাই হাওকিপ, শ্রী কৃষ্ণমোহন অমসুং শিলভদ্র য়াজীনা শারম্মী। পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ৬৫না প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধী উনদুনা থুনমক মণিপুরবু মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইহন্নবা হায়খি। মেম্বর ৬৫মক কোংগ্রেস (আর) গী মী ঙাক্তনি। মখোয়না মণিপুরগী পার্টিশিংনা সিভিল দিসওবিদেন্স মুভমেন্ট তৌবিদনবা অমসুং ইন্দিপেন্দেন্স দে সেলেব্রেসন বোইকোট তৌবিদনবা হায়জখি।

অদুবু ওল পার্টি ষ্টেটহুদ দিমান্দ কম্মিটিনা হায়বদগী ইন্দিপেন্দেন্ট দে সেলেব্রেসন বোইকোট তৌখি। মথং নুমিৎতা সিভিল দিসওবিদেন্স মুভমেন্টকী অহানবা নুমিৎতা ভলুন্টিয়র ১৬০ মুক ফাহনখি।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## হুই মমৈ চুম্বা য়াদবগুম থোক্কদৌরি

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

**হৈনদবা** হায়বসি হৈননবা হোৎনবদা হৈনদ-হৈনদ অদুমক তোকখিবসু য়াওদবা নত্তে। চিঞ্জাক্তা অথিংবা লৈতবা মীওইদুগা অথিংবা লৈরিবা মীওইদুগা অনীসি চামিন-থকমিন্নবা ফাওবা নকশিননা ফমনীংদবা লৈরিবনি। চনম-তিলহৌ চাদ্রবা মীওইসু লৈতবা নত্তে। চানীংদবা-থকনীংদবা হায়বসি য়াম্না লায়না খল্লুবা য়াবা নত্তে। চিঞ্জাক্লি হায়দুনা য়োল্লিবা ষণ, ওক, হামেং, য়েন ইফোং ফোংনা অচৎ-অওক উনবনি হায়দুনা থেন্দুনা থম্বা মসিমা লমদমসিগী চৎনবী অমা ওইনা কন্না চৎনখৎলক্লিবনি। মফমদু য়ৌবদা মচিন খুমদুনা মমিৎ উইশিন্দুনা চৎপসু য়াওদবা নত্তে। মচি মরুমদা য়োন্নবগী মওংসিমদি থাঙ্গৈশেংনা লৈত্রে হায়না হায়বদা লান্দ্রবনি। মফম কদায়-কদায়দা ফোংনা য়োল্লিবা হায়রুদনা ইরুদনা করিবু কান্নগনি। মসিগী মতাংসিদি লৈঙাক্লা উদনবগীদমক শিনবীবা নত্তনা অহৈপা শাদুনা ঙাঙ-শক্লুবা য়াবা নত্তে।

ইম্ফাল মনুংগী শা কক্তুনা য়োনবসিদি মফম অমখক্তদা পূন্না য়োলহনবনা অফবা শোয়দনা ওইদনীংঙাই লৈরোই। হৈনদ্রবা অচৎ-অওক্তসু হঙ্গোইবা, তুক্কচবা লৈহন্দবা মসিসু লৈঙাক্কী খূৎতা লৈরবনি। তৌনু হায়বদা উদ্রবনি, খঙদ্রবনি হায়দুনা নারোন্দা মী কিরুপ-কিরুপ য়েংলগা য়োনবা মসিসু অফা অপূনগী চৈরাক্তু কিদবনি হায়না লৌবদা চুমদৌরিবনি। য়ু পুদুনা লাকপা লমখাংদা অফা অপূনগী মীওই খরনা ফাদুনা খোঙ্গোইনবা মশীং কয়া অমা লৈখ্রবনি। য়ুদু কদায়দগী শুংলকপনো? মুন্না থিগৎলুবদা নাটকীনি হায়না লৈবা মফমদগী থোরকপা হেক্তমক ওইরম্বা মসিনি য়াম্না লুরক্লিবসি। থৌনা লৈদুনা শুংফমদা চঙদুনা শুংদনবা হায়রুরবসু অরেম্বদা তাদুনা তোক্কদবনা, য়ু পুরকপা মীওইদুতা ফাবসিনা থিংবদা তরাই-তরাই ওইবদি থাজবা ৱাৎলবনি। কনাগুম্বা মীওই অমা শিবগী পোৎলোইবদা কোম্থনা লোইবা ফাওবা লৈহৌগদৌরিবা মীওইশিংদুগী য়ামদ্রবদা লিটর ৪/৫ দি শোয়দ্রবনি। হীদাক থকপা ফংলনি হায়বা কনাগুম্বা খরদি অদুমক য়াওরবনি।

মতাংসিদা থমজনীংলিবা ৱাফম অমনা, অফা অপূন তৌদুনা খোঙ্গোইনখিবা ঙসি ফাওবা তাসু তাদে, মসিমদি থাঙ্গৈশেংনা অফা অপূনগী মতাংদদি য়েম্মৌনরবনি। মসিদং থৌনা লৈরবী লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংনা অচান মীরাই নাইদনা থবক ওইনা পাঙথোকপীবদা মথেল অমা ওইনা ফাগদৌরিবনি। মৈরা পায়বী নিষা বন্দগী মীওইশিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মরমদা থিংদববু লৈশিল্লত্তবনি। মিথাপটি মনা ফাওবা অঙম্বনা অথিংবা থম্বদগী উচি চাহোন্দা নারোন-নারোন্দা য়োল্লম্বা অদু ফাওবা হৌজিক্তি হান্নগুম ইফোং ফোংনা য়োল্লকপা মনুংদা করি লৈবনো হায়বদুমদি খঙদ্রে। য়োনবা য়াদবদগী মওংদুদা ইম্ফাল মনুংদা মপান লমদগী পুশিল্লকপা ক্বা জরদাগী মরুওইবা মিথাপতি মনা ফংদ্রবদি ফারনিদা খল্লম্বদুসু কালেন থা নত্তনা শাৎচবগী থৌনা লৈজদ্রবা লৈবাকলৈ নত্তবীদা মিথাপতি মনাসু মসি পংহায় হায়জিনবগী ৱা নত্তে। হীদাক মনাগী পোৎলম খুদিংমক ফনা য়াম্না ফাগৎখ্রবনি। ফাখ্রবসু ফানা মমল হেনগৎনা ফংদবদি লৈতে।

হীদাক মনাদগী শেম্বা চুরুট, বিড়িসিনা করম্বা মখলনো? ময়াই কাবা চিঞ্জাক অথিংবা লৈরবসু অনীসিদি পেক ফজনা তৌই হায়বগীরা ঙসি ফাওবা ফাই হায়বা তাদ্রি! মসিগী মতাংসিদা করি লৈবনো হায়বদুমদি খঙদবনা মশীং অয়াম্বনি। তুরেল খোংনুংদা য়ূম শাজিনবা লৈঙাক পায়রিবা মরী লৈনবা অঙম অথৌশিংনা ফনা য়াম্না থবক ওইনা পাঙথোকখ্রবসু মতোন অদুমক চোংখৎলকপগী হৈনবী অমা লমলেন পাম্বা মীওইশিং মশীং কয়ানি। হায়না হায়না অথিংবা কয়া অমা লৈদুনসু লমদমসিগী থৌনা লৈরবা মীওই লিশীং কয়া অমনা য়াদে হায়বা থবক্তুদা তৌরগা নুংঙাইজবা, ওইজবা মসিমা থিংবদা লুনা থোক্কদৌরি! হুই মমৈ চুম্বা য়াদবগুম ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লাইচুখ্রবা মহাক অদুমা মশানা চাররোই-থল্লরোই হায়দুনা অনীংবা অমগা লোয়ননা অথিংবা থল্লবা মসি নত্তনা থিংগদৌরিবা উপাইসি করি করম্বা উপাইনো? অনৌবা উপাইদু খল্লুনে? লুহোংবদা কৈন্যানা কোয়রকপা মতমদা বর শেন্নরিবা ওজাদুনা বরগী মমিদু কৈন্যাদুনা নেৎখিনি হায়বগী থাজবদা ফিনা খনবা মসিবু তৌদবদা কয়াম কায়বনো? ফজবগী চৎনবী অমা ওইবনা থিদা হায়বদি কনানসু হায়ররোই। য়াদে হায়বগী চৎনবী অমা লৈবসিনা মগুণ হেন্না হাপকৎলবনি।

নুপী খঙদে, নুপা খঙদে চিঞ্জাক্তা অথিংবা লৈরক্তবনা ঙসিদি থকসি-খাসি, চৎন-কাঙলোন অহোংবা ওইরক্লবগী অচৌবা মরম অমা ওইরকপা মসিনা মখা অসুমক তাথদুনা লৈরবা মমৈদা ঐখোয়সে করিনো ওইদৌরিবা? তাহৈদবা, উহৈদবা, শারমচৎ কয়া অমা লেপ্পা লৈতনা তারকপা, উরকপা, তৌররোইদবনি ফারদবনি হায়না হায়রুবা য়াবা নত্তে। পূন্নমক অশোয়বনা মশীং য়াল্লকপসিনা থকসি-খাসিগী ৱাফমসিমা কাম্থোক্তুনা লৈরবনি।

মপুরোইববু পোকপা মকুবোক্তা, মতৈদা, মথক থোংবদা থকসি-খাসি লৈনা চৎলম্বা পূন্নমক কাং-খোং চাইরবা পোক্লফম লমদমসিদা হান্নগুম্না হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনবদা অৱাবা ময়াম অমা মায়োক্লরবসু ফাগদবা মান্দ্রবনি। পূন্নমক পামদ-পামদনা থেংনবা নত্তনা অতোপ্পা উপায় লৈররোই। মতম্না লৈরিঙৈদা চুমথোকহৌদবগী অরানবা অমদি অদুমক মায়োক্লনা লৈদৌরবনি। তৌনু হায়বা থবক্তুতা তৌরগা নুংঙাইজবা মীগী মশীংসি থিদুনা য়েংবদা ফনা নিংথিনা য়ামদৌরিবনি। লৈঙাক্লা শিল্লিবা পূন্নমক মীচম মীয়াম ঐখোয়গী ফনবনা মশীং অয়াম্বনি। হৈমন শিংমনবা মীওই ময়াম অমা লৈবনা অশোয়বা অমা লাকপদা ৱাকৎকদবগী তয়ারিদা লৈবা মসিবু করম হায়গনি। গাড়ী মচাদা হেলমেট উপ্তুনা থৌবগী য়াদবা লৈনা লৈনা উপ্তুনা থৌবা কোটো অমা লৈরিবনি। হৌগৎলকপদনা অসুক্কী মতিক নিংথিজরগা মতম খরগী মতুংদা হামু-হামু অদুমক ওইরকপা চৎনবী অমা ওইনা চৎনখৎলক্লিবনি। পৈশা তানবদা নুংঙাইরবা সনা লৈবাক মণিপুর ওইদুনসু লমদমসিদা পোক্লগা, লমদমসিদা চাউরক্লিবা লমদমসিগী মীওইশিংগী মফমদদি ঈজৎ ঙাক্নবা হোৎনবদা মকু হুদুনা খাঙলবনি। মপান্দগী লাকপা মীতোপশিংনা শূদুনা, নোমদুনা হিংনবা হোৎনরকপা চোম্থদুনা ফনা শাংবা লৈখিদৌরিবনি। হায়না-হায়না নোংম-নোংমগী মশীংবু ফনা নিংথিজনা হেনগৎলমগদবা মাল্লবনি।

*অদোমগী – হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*